# “মণিপুরদা কুকিলেন্দ তাল্লিবশিংগী মঙ-!”

**– এল ইবোমচা –**



মীওইবনা ঐগী হায়বা ৱাখলনা মাঙওইনবা থবক ঙাক্তা পায়খৎনরকপা মরম্না মালেম অসিদা ঈং-তপ্পা (শান্তি) লৈত্রে। মীপূম খুদিংমক অপূনবগী ৱাখল অসি ফাওনরম্লবদি তাইবঙপানবসি অমত্তা ওইনা পূন্না পূনশিনবগী মওং অমদা লৈরমগনি অদুবু মসিমক্তি ওইদ্রে। মালেম তাইবঙপান অসি তাইবঙ মপুগী শিন্থা পাঙথোকফম শিনশঙনি। তাইবঙ মপূনা মীওইবা ঐখোয় খুদিংমকপু শিনশঙগী মশক ওইরবা মাগী তাইবঙপাল অসিদা শিনবাংলুচো হায়দুনা পাখোল থারকপনি। মরম অসিনা মখোয়না তাইবঙপান অসিদা হিংলিঙৈ মনুংদা অফবা থবক কয়া তৌরমদুনা মপূ মাগী য়াথংদু ইন্নবা তাই। অদুবু কনাগুম্বা মীওইশিংনা মপূগী থৌদাংদি পাংদনা নুমিৎ চূপ্পা মশাগী ওইবা ৱাখলদা লুপ্তুনা তাইবঙ মপুবু কাউথোক্লে। মশাগী ফূরুপকী অমদি মশাগী থবক্তা ওইনা থবক পাঙথোক্লে। পোক্লফম লমদমবু মচেৎ অমত্তা নুংশিবা ফাওদবা মীওইবতনা কৃক-কৃক ইন্ননা শৌ শাবমখৈ লৈ। পুৱারীগী পরিংদা চত্থরকপা মতম মতমদুগী তমথীরবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা কায়হন্নবা শীংনরকপা কয়াবু মায়োক্লদুনা লাক্লি। অদুবু অপূনবগী শক্তিতনা মণিপুরগী শক্তম কায়হন্দনা থম্লক্লি। মণিপুরগী অপূনবা হায়বা ৱাফম অসি খেন্নবা ময়াম্না পুল্লগা শেম্বনি। অপূনবা লৈরিবা অসিমক ইমা মণিপুরগী মতিক ময়াইননি। অমরোমদা, অপূনবা শক্তমগা লোয়নদুনা লেপ্লিবা অসিসু মাঙহনগে, তাকহনগে খনবা ময়াম্না শৌ শাবমখৈ লৈরিবা মরক্তনি। লোয়ননা বিজ্ঞাননা কাইদোং ওইদুনা চাওখৎপগী মতোল কানবা হোৎনরিবা মালেমগী মীওইবা মরক্তা শক্তি চাউবা কাঙবুনা শক্তি ৱাৎপা কাঙবুবু নমজা নমথেক্লা পান্নবা হোৎনরি। মসিগী ঈরাংদা মালেমগী শক্তি পায়নবা লাল্লোং কয়া থোরকই, চরাংনবা মালেম হায়বদু ওইরকই। মসিনা লাঞ্জাও কয়া থোরকপগী অমদি থোরক্লবগী অকিবা লৈরকই। অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জা অসিদা কাঙলূপ খূৎপু শেমগৎনরক্তুনা নাকপাক-নাকপাক লেপ্পরকপগী মওংসু থোরকই। মরম অসিননি মালেমদা অমদি মণিপুরদা ৱাথোক-লাম্থোক থোক্লবগী শকফম্নি।

লৈবাক অসিদা মতিক ময়াই লৈরবা লাইপোক্কুম্লবা মওই কয়া পোকখি। মখোয়না মখোয়গী মতমদা মখোয়গী লৈজবা থৌনাগী মতিক ময়াই কয়া ফূদোক্তুনা মতিক মগুণ হাপ্লম্মী। অদুবু অশিবা মচানিনা মখোয় মখোয়গী মতম লোইরদুনা মালেম থাদোক্তুনা চৎনখি। মখোয়না হিংলিঙৈ মতমদা পাঙথোক্লম্বা শিংথাবা য়াবা থবক্কী মীংচৎ মমিদুদি হিংহৌরিবা ঐখোয়গী থম্মোয়দা তাদুনা লৈহৌই। মতম অমগী ঐখোয়গী ইরৈবাক নীংবশিংদুগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অদুদি ইরৈবাকপু মিশৌ চঙদুনা কনাগুম্বা অমত্তনা থুগায়গে খনবীগনু, ঐখোয়সু মীগী লৈবাক থুগায়গে খক খল্লোই হায়বসিনি। ঐগী লৈবাক কায়হন্নীংদবগুম মীগী লৈবাকসু কায়হন্নীংবা লৈতে হায়বসি পূক্নিংগী অচেৎপা অনীংবনি। মরম অসিনা মখোয়গী মচা-মশু ওইহৌরবা মীরোল অসিনসু মপা মপুনা খল্লম্বা ৱাখলদুমক মান্ননা হৌজিকসু খল্লি। ইমা লৈবাক্তা শীংনরকপা খুদিংমক লেম্না থারোই, ইমা লৈবাক্লা থৱায়দগী হেন্না মমল য়াম্মী হায়না খন্নদুনা লৈনৈ।

অসুম্না মতম অসুক কুইরবসি ঐঙোন্দসু লানবীরক্নু, মীঙোন্দসু লাঞ্জরোই, মীগী লৈবাক পামজদে, মীহৌজদে, ইরৈবাক মণিপুরতবু পামজৈ, নুংশিজৈ হায়না ঙসি ফাওবা লৈজরকপনি। অদুবু লাইবক থীবদি ম্যান্মার লৈবাক্তা ঈরাং কন্না থোকপদগী মতম খরগী ওইনা চঙজফম পীদুনা লৈহল্লকখিবা লাঞ্জেন্নরকপা কুকিশিংগা কুমজা ১৮৪০-১৮৫০ ফাওবগী মতমদা মীতৈ নিংথৌনা চীংশাং ঙাক্লবা খুন্দাহল্লম্বা কুকিশিংগা মান্নরগা মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগায়রগা কুকিলেন্দ শেম্নবা মীতৈশিংদা লান্দারকপা ঙম্বা অসিনি। মখোয়বু মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা চংজফম পীদুনা লৈহল্লুবা ঐখোয়দা লান তারক্লবা লৈহল্লুবগা চপ মান্ননা থোকখ্রে। মীতৈশিংনা করি মতৌনো তৌরিসিবু, মীতোপ্পা ফমেল কাগে হায়রক্লে, য়ূমদাংবনা কৈ-নাইগে হায়রে, লেপ্পা চল্লগা ফম্বা চল্লি, ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়বগী ফীভমদা চত্থরক্লে হায়না মীতৈশিং নীংঙমদনা থম্মোয় খূৎতুম্না শুদুনা খাঙনরি। অদুগসু লান মরকসিদা ম্যান্মারদগী কুকি ময়াম মথং-মথং চেনশিল্লকপা লেপ্পা কৌবা লৈতে।

য়াম্না ঙক্লিবদি ম্যান্মার ফূরুপ কয়ামুক্লা খুন্দাবা লৈবাক্লি। অদুবু মণিপুরদা লাঞ্জেল্লকপা মীওইশিংসি কুকি ফূরুপকী মীওই নত্তনা অতোপ্পা ফূরুপকী মীওই অমত্তা লাঞ্জেল্লক্তবা অসিনি। লাঞ্জেল্লক্কে হায়রবদি মরৈবাক ওইবা মীতৈ ময়াম অমা হুপ্তুনা লাঞ্জেল্লকপসু য়াবনি অদুবু লাঞ্জেল্লকপদা মীতৈ অমত্তা য়াওরক্তে। মসিসু খন্নবা য়াই মদুদি অনৌবা লাঞ্জেল্লকপা কুকিশিং অসিগা হান্নদগী মণিপুরদা লৈরক্লবা কুকিশিংগা মনুংদা অরোনবা থৌরাং অমা লৈনবা মাল্লি। মরদি মখোয়না চঙলক্লিবা মতম অসি কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা কুকিলেন্দ শেম্নবা মীতৈশিংগী মথক্তা অকনবা লান তারক্লিবা মতমনি। মতম শাংনা লান্দাদুনা লৈখিবনা মীতৈ পূম্নমক খম থেংনা ৱাদুনা লৈরবা মতমনি। ৱাবগী জাৎতা করি অমুক হায়রুনি মীকপ মীরাওখোলনা মণিপুর পূম্লিল নিন্দুনা লৈরবনি। নহা, অহল খাক্তনা খোইরাং খোইশাওবা, পেন্দবা অমদি লমন খুম্নিংবগী ইখৌ লাংদুনা লৈনরিবনি। লাইরিক লাইশু তম্বা, শুবা নোম্বা, হরাও কুম্মৈ, তূম্বা চাবা পূম্নমক চপ লেপ্তুনা লৈরবনি। চপ লেপ্পা হায়ববু (পি আর) প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্লা নবেম্বর ২১, ২০২৫দগী নম্ফু-হাফু পাঙথোকপা হৌখিবা সঙাই ফেষ্টিবেল ফাওবা মীতৈ মীয়াম্না বোইকোট তৌখিবনি। অহলশিংদি লায়রদনা মখোঙ কাবক-কাবক থাংবা হৈরকপদা ঙাইরিবা মরোল মরী চুম্না ঙাঙবা হৈত্রিবা অঙাং ফাওবা কুকি হাৎকে হায়না ঙাঙবা-শকপা হৌরক্লবনি।

মতম অদুদা হৌজিকপুদি মফম লৌথোকখ্রবা চীফ মিনিষ্টরদা সেন্টরগী য়াকা য়েংদুনা লৈবগী মতমদু নৎত্রে নুপা থোক্লা থবক তৌবা মতম ওইরে, চীফ মিনিষ্টরনা নুপা থোক্লা থবক তৌরকপা মতমদা মীতৈ মীয়াম নঙগী নতুং ইনগদবগী শেম শাদুনা লৈরে হায়রকখ্রবনি। অদুগা চীফ মিনিষ্টরনা লান অসি কুকিগা অমদি সেন্টর লৈঙাক্কা শোক্লবা লাননি হায়বসিসু অমুক হন্না হায়রগনু হায়নরকখি। মরমদি সেন্টর লৈঙাক্কা শোক্লবা লাননি হায়রগা কুকিনা মীতৈশিংদা ওনশিন্দুনা লান্দাদুনা লৈবনা নোংমা নোংমগী মীতৈ নহা কয়া শোকপা-পনবা, শিবা হেনগৎলক্লি হায়বসিনি। মরম অসিনা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লোইদবা ওইরবদি চীফ মিনিষ্টরনা চৌক্রি কোন্দুনা লৈরগনু, ইমা লৈবাক্কা চৌক্রিগা অৰূম অয়াং ওন্দুনা লৈবীরগনু হায়না লাউরকখি। লোয়ন-লোয়ননা শামরক-ঙামরক ওইরবা মীওইবগী লমচৎ চেন্দবা নার্কো কুকিশিং অমদি ইন্দিয়াগী আইনবু খোঙ্গাওনরিবা চাক্লা মণিপুরগী চাবা, তোলোপসু মণিপুর লৈঙাক্তগী লৌবা মিনিষ্টর য়াওরগা কুকি এম এল এ ১০ ঙাকপীবা য়াবা ঙাকপীখ্রে, য়েংবীবা য়াবমখৈ য়েংবীখ্রে, মতম অসুক কুইরবসি আইনগী মতেংনা নহান্না মতিক চাবা চৈরাক পীবা হেন্দোক্লা য়ারে। করি মরম লৈবদগী লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবা মখোয়গী মথক্তা এক্সন লৌবা ঙমদবনো হায়না মীয়াম্না হংনরকখিবনি। লোয়ননা মণিপুরবু অদুক্কী মতিক কল্লক মীহৌরবা কুকিশিং অসি মণিপুরদগী মৰূ ফংনা মূত্থৎত্রিবমখৈ মণিপুরদা চিফেৎ-চিফেৎ লান্দাদুনা লৈগদবনা কুকি মূত্থৎপা হায়বসিদা মীতৈশিংগী ৱাশক ওইদুনা লৈনরিবনি।

চেঙ পুরগা চেঙ শিং, ফৌ পুরগা ফৌ শিংগী মওংদা ঐগী য়ূম মৈ থারবদি নঙগী য়ূমসু মৈ থাগনি, ঐগী কোক থুগায়রদি নঙগীসু নকোক থুগায়গনি, ঐগী মিৎ কোৎলবদি নঙগীসু মিৎ কোৎকনি। অসুম্না চহী অনীমুক লমন খুম্নদুনা অসুম লৈনরম্বদগী ইখঙ খঙহৌদনা মণিপুরদা পি আর লৈঙাক চলাইরকপদগীদি কুকিশিংনা মীতৈশিংদা নোংমৈ, বোম, টোপ অমুক হন্না কাপ্লকখিদ্রে। অদুনদি কুকিগী লানসি সেন্টর লৈঙাক্কী খূৎ য়াওই হায়বসি অদুমক তাকচরে। তৌবগীসু কুকিশিংনবু নোংমৈ কাপ্লত্ত্রবা লান লোইরে।

মরকসিদা ইজরেল কেবিনেট মীফম্না মখোয়গী লৈবাক্তগী মাঙখ্রবা ‘বনৈ মেনাসে ত্রাইব’ কী মীওই কয়া’মা ইন্দিয়াগী মণিপুর অমদি মিজোরামদা খুন্দাদুনা লৈরে হায়বা খঙলে। মরম অসিনা মখোয় ইজরেলদা খুন্দাহন্নবা লৌবা চৎলগনি হায়বসিনি। অদুগদি ‘বনৈ মেনাসে ত্রাইব’ হায়রিবসি কনাবুনো অসুম থিরকপদা য়েলহৌমী শাবা ঐখোয় পূম্নমক্লা কুকি হায়না খঙনরিবা ফূরুপ অসিনি হায়নৈ। অদুনদি ‘মণিপুরদা কুকিলেন্দ তাল্লিবশিংগী মঙ!’ অদুনা কমদৌ-তাবা-? হংবা য়াই। ●

# ‘লৈশা অপসরাগী থম্মোয় মপাউ’ - (১)

**– বি সী খুমন –**

মরমদম মক্তদা রিফ্যুজি ওইরবা মনিস্না তন্দে-মান্দে চিঠিদু হাংদোক্তুনা পারি...

‘দা মনিস্না,

ঐ কনানো খঙল’তুংদদি নহাক, ঐবু থিরক্লনু। ঐ নঙগী চেপ্টর লোইশিনখিবা পাম্লে। নঙবু নুংশি হায়দুনা ঐগী পূক্নিং, ৱাখল অমুক হন্না শোন্থহন্নীংদ্রে। ‘আই হেট টিয়র্স!’ ’সিমদি অসুম্মক হায়নীংবগুম্মী, ঐগী থম্মোয়গা, নঙগী থম্মোয়গদি লাপ্পা-লাপ্পারগা নকশিন্নবা হেল্লমগনি। দা মনিস্না, নঙগীদমক ঐ য়াম্না ৱায়। নঙসু শোয়দনমক্কী ঐগুম্না কায়না মৈচাক খাঙলমগনি। অদুবু কৈদৌরুনি! ৱাহন্থোক য়াওদ্রবা অশেম্বা লান অমগী চৈথেং ঐখোয় অনীমক ফংমিন্নরি। ঈচেল অমদা পূন্না তাউথমিন্নরম্বা কাউশিং অনীনা খঙহৌদবা মীকুপ অমদা কমদৌনা খাইদোক্লহনখিবা, ঐ শেন্বীবা মপু (গোদ) পু হৌজিকসু ৱারৌরি। অমুকসু ওইথোক্লরোইদবা মঙলান অমগী মফম খঙদবা পোলোই অদুমক্লা হায়নসু পূক্নিংবু ফাজিল্লি, থেমজিঞ্জরি।

দা মনিস্না, নঙনা মীতৈ ওইরসু, ইফমদদি খ্বাইদগী মমল য়াম্বা মনি (দাইমন্দ) নি। ঐবুদি নঙমক্লা করি খল্লমগনি, ঐ পাউখুম পামদ্রে। অপসরানা করিগী কুকি লৈশা ওইনা পোক্লম্লিবা, ঐ খঙদ্রি। খঙবা হায়ববু ঐ লৈশানি, দা মনিস্নানা পাখঙনি। পাখঙ অমগা লৈশা অমগা থম্মোয়-থম্মোয় পীনখিবা, থাজবা থম্নখিবনি। মসিদা ঐখোয় অনীগী ইরাল করিনো? কৈসু লৈতেকো! অদুবু করিগীদমক, কনাদা ৱাকৎলুনি হায়ফম খঙদবা ইথিল অমনদি পূক্নিংসি লৈতাহন্দ্রি। নুংশিবগীরা নৎত্রগা পেন্দবনরা - অনীগী অৰূম-অয়াং ওনবসু ইতিক নত্তে। মতমদি লেপ্পু য়াদবনিনা মীকূপ, পুংজা, নোংমা, চয়োল, থা, চহী হায়না মমিং হোং হোংদুনা হৌখিনি। ঐখোয় অনীগীনা হরাওনা শাগৎচখিবা ৱাখলগী দলান খঙহৌদনা নিংখাইখিবনি হায়গদ্রা, করি হায়নি? খূৎশেমগী পুৱারী অমনা দা মনিস্নাগা অপসরাগা অনীগী মরক্তা মুৎনাইদ্রবা পল অমা শেমগৎখিবনা পন্থুংফম সুম-সুম লাপথোকখ্রে, নৎত্রা...?

অদুঙৈগী ঐখোয় অনীতগী পূন্সি মহিংদো কল্লক্ত্রা? য়েংথিনবা য়াওদা, পূন্না হিংমিন্নবগী মহাউদু অমুক হন্না লাক্লরোই খল্লুবদা ৱামনখিবনা ঐখোয় অনীগী চেপ্টরসি থুপচিনখ্রসিরা খল্লুবনি। ঙমগদবদি মান্দে, অদুবু হোৎননীংবগী ইথিলদি লেপ্পু য়াদ্রি। দা মনিস্নাবু নুংশিমনবনরা নৎত্রগা অপসরানা দা মনিস্নাবু ৱারৌরিরা ঐ খনফম খঙদে। খঙদে হায়রসু দা মনিস্নাবু নুংশিবদি ময়েং তাউ হায়বা শুকয়া য়াদনা অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং, অহিং কয়া ঐ অঙাওবী ওইরি। ঐখোয় অনীগী মরক্তা শকউদবা পল অমনা নাইতোম-নাইতোম তাহনখ্রিবসি মতমনদি খক ওইরোই। কনাগুম্বা খূৎশেম হৈবা মানবা, কোক য়াওদবা, মীয়াম্বু লান্না লমজিংখিবা, লৌনম লাং হৈবা খরগী থৌইনশিন ওইগনি খল্লি। খনবতনি ঐগুম্বী অমনদি করি তৌরুনি। দা মনিস্না, সিমত্তংদি য়াবীয়ু - ‘সি নো ইভিল, হ্যর নো ইভিল, স্পিক নো ইভিল’ মতম চূপ্পদা অচুম্ববু ইকায়খুম্নবীয়ু।

লানদি নোংমা শোয়দনা লোইখিনি অদুবু লানগী চৈনাদি চহী দিকেদ কয়া কাউবা লৈরোই। অফবা ওইরোই। ঐ অচুম্বসু খঙই, অরানবসু খঙই। খঙজৈ হায়বতনি, চিন পান্না পান্না ঙাঙথোক্লবগী মঙম লৌথোকপীখ্রে। কদায়দা চৎখ্রে দেমোক্রেসি। ইন্দিয়াসিবু দেমোক্রেসি চৎপা কন্ত্রিনি হায়’দাইনে! ওইরমদ্রে, দেমোক্রেসিগী য়ুখল মরুমদা অরানবা তৌবশিংগী হেভন ওইখ্রে। লাইনা শেম্বা মীমক্লা লাই ওইনীংবগী ইখৌ লাংলক্লিবসি ঐ য়াম্না কিরে। বাইবলগী টেন কম্মান্দমেন্টস, গীতাগী শ্লোকশিং খঙলে হায়দু’মঙাই কনানা ইকায়খুম্নবীরি হংনীংলি ইরমদমদুদা! ধর্ম্মগী মিংদা মীওইবনা হিংসা (শাগী লীচৎ) তৌনরকপসিদি অরোইবা নাইবা তাইবঙ খোঙচৎ মমি তম্লকপনি খল্লি।

দা মনিস্না, নঙ হিংদবা য়াদে, ঐগীদমক হিংখো, ঐগী ইথৌ ময়াম অমসু পাঙথোক্কদবা লৈরি। নহাক্লা শিন্নবীরম্বা লাইওইরবা সনা খোংনাং ঐসু মপোক থীবী ওইরুবনা য়েংশিল্লুবা ঙমদ্রি। লক্ষ্মন রেখাগুম বফর জোনগী লৈইনা থৎখিবনা ঐ পাম্বৈ লৈত্রে... ... ... ...।”

মনিস্না চিঠিদু পানা-পানা মীৎলুদগী পাথোরকপা পিরাংনা চিঠিগী ময়েক উবা ঙম্লক্তরে। অপসরাগী মপাউলক্তা লাইওইরবা সনা খোংনাং পল্লকপদা খঙহৌদবা নুংশিগী নোংলৈ অমনা মনিস্না হুমদুনা পুখ্রে। মীৎতা শঙ-শঙ উরকই অদুঙৈগী লাইওইরবা সনা খোংনাং, থৱায়গী থৱায় অপসরা! অঙাং ওইরিঙৈ, মথোৎ কারকঙৈগী পূন্সি খোঙলোয়। খামঙমদনা নীংশিংলকই অদুঙৈগী থৌদোক কয়া... ... ...।

তুফক-তুফাই চন্না চীংয়াগী লম্মাংদুদা লাইওইরবা সনা খোংনাংদু অদুমক হৌরি। ঐগা, ঐগী অপসরাগা ঐখোয় অনীতগী ওইবা নুংশি নুংওনগী ৱারী শীংবুল সনা খোংনাংদুনা কনাদসু লীথোক্লম্লোই। ঐখোয় অনীতবু ঙাইবদা য়েন্নিংথা, নাকেন্থা মফম খঙদনা তেংথারমগনি। ঐনসু মখোঙদা ঈশিং চাইরুনবগী পাঙ্গল লৈতবগুম অপসরাসু বফর জোন মনুংদা চঙদুনা লাইজ ঈরিক খিক্লম্লরোই। অপসরা ঐখোয়নিগী কাউঙমদবা নুংশিগী হৌরকফমদি লাইওইরবা সনা খোংনাং অসিগী মখোঙ মক্তদনি। মখোঙ মকসিদা নোংমা নোংজুথা নত্তবা নুমিদাংৱাইরম অমগী লাইগী নোংদম কাউঙম্লরোইদবা অঙকপগী থৌদোক অমনি।

স্কুল মতম লোইরদুনা চীংয়াগী মিশন স্কুল অদুদগী মহৈরোয়শিং ময়ূম মায়কৈ পাংনরক্লি। খঙহৌদে! থাংজিং চীংশাং নাপোমলোমদগী অকনবা নুংশিৎনা মায়কৈ মরিমক মমশিল্লকখি। অকি-তুজুংনরবা মহৈরোয়শিং, ময়ূমতা য়ৌহৌরদি খন্না খা-ৱাং, মনীং-মমাঙ থুংনা চেন্নরকখি। পাখৎ চাউবী মহৈরোয়শিং অকি-খোঞ্জেলগা লোয়ননা কপ্লা লাউনরকখি। ক্লাস টেন তম্লবা মনিস্নাদি মশাদা অকিবা পোক্তনা মহৌশাগুম চীংয়াগী লাইওইরবা সনা খোংনাংগী অকোয়বদু শীৎ শেংদুনা মানা পুজরকপা পোৎলমশিং অমদি উচানগী মৈরা কৎননবা কন্না হোৎনরি। লেপ্পা নাইদবা নুংতিগী থৌনিনা মনিস্না মশাদা করিসু নুংনাংজদে। মীৎ উইশিন্দুনা মখূৎ লোন্নরগা পূক্নিংগী ৱারোল শোনগে নীংলকপা মীকুপ্তা কনাগুম্বী নুপীমচা অমনা শোন্থাংননা শুৎ-শুৎ কপ্পগী খোঞ্জেল তারুবদা মনিস্না শ্বায় লাউখিদুনা মশা পূম্বা তু চুংখিবা খঙহৌদে। অতিয়াথক্তা অখাক-অরাওগা লোয়ননা অকনবা নুংশিৎ য়াওবা নোংসু লেপ্তুনা চুরি। ফূক হৌগৎতুনা অকোয়বদা কনা লৈ হায়না কোয়েং য়েংলি মনিস্না। ৱাং-চাউরবা লাইওইরবা সনা খোংনাংদুগী মচি অমদা নোংনা মশা পূম্বা চোৎলবী অপসরা লাইরিক খাউদু কোল্লগা কপ্তুনা লৈরম্লে। মনিস্না ৱাখলদি মাঙদ্রি, অপসরাদা মীৎ কুপ্তুনা য়েংদুনা লৈরি। অপসরাসু মী লাকপগী শউম ফংবদুদা খোংনাংদা ঙাদুনা ফম্লম্বদগী ফূক হৌগৎতুনা তিঙক-মাইঙক মনিস্নাদা য়েংদুনা লৈরিঙৈ খঙহৌদনা অতিয়াদা খোন্থাং য়ৈনা নোং খাক্লকপদা ‘ইমা’ হায়না অপসরানা মনিস্নাদা পাখৎনা কোনশিনখি। অনীমক্লা তিঙক-মাইঙক্লরিঙৈ সনা খোংনাংদুনা শাবী-শানৌ অনীগী কোকথক্তা নুংশিবগী লাইজ খিকথরক্তুনা মখোয় অনীমক হান্নদগী হেন্না পুমচোৎ চোৎহনখ্রে। খঙদে- ইবুধৌ থাংজিং মাগী লীলারা?

নোংনা পুমচোৎ চোৎলবী অপসরাগী শন্নাংশিংদু খোমগৎপীগে খন্না মনিস্নানা অপসরাগী কোক্তু শোক্লুবদা,

- “দোন্ট টচ মাই বোদি প্লিজ - দা মনিস্না - ঐ য়াম কিরে...”।

- “ঐ লৈরিসিদি অপসরা, সে চোৎলিবা কোক্তু তৈথোকউ” হায়না-হায়না ফুরিৎখাউদগী রুমালদু লৌথোক্তুনা পী। অপসরানা মকোক্তু তৈথোক-তৈথোক্লা মনিস্নাবু মুনা-মুনা য়েংলগা,

- “দা মনিস্না, ঙসিগী থৌদোকসি করি ওইব্রা? কনাদসু লীথোকপীনুকো!”

- “ঐসু মফম খঙদে অপসরা! চাউখ্রবা সনা খোংনাংসি ঐনা নুমিৎ খুদিংগী শীৎ শেংদুনা ইরাৎচরকপনি। লাইওইরবা সনা খোংনাংসিগী মতিক মগুণসু...”

- “ঐসু তাখ্রে, ঐগী অপ্পানা ৱারী লীবীখ্রে। থাংজিং চীংশাং পরেংসিদা হৌবা চাউখ্রবা সনা খোংনাং অমগসু মরী লৈনবগী ৱারী ঐসু তাখ্রে”।

- “অদুদি ঐখোয়নি থৌনিজসি, লাইওইরবা সনা খোংনাংনা ঐ-নঙবু থৌজানবীসনু।”

হায়না-হায়না মম্লম্বা অতিয়াদু মীকুপ’মদা তরং-তরং ঙাম্থোরক্লে। নোংসু হাংখ্রে, নুংশিৎসু শীৎখিদ্রে। মনিস্না, অপসরা সনা খোংনাংদুবু পূক্নিং অনী লোঙদনা খুরুমজরম্লগা ময়ূম মায়কৈ পাংনখ্রে। থম্মোয়নুংদদি হৌখিবা থৌদোক্তুনা নীংশিং নীংশিং নোকচরসু অপসরানা চীংথক্কী কুকি খুল তমখ্রে। মনিস্নানা চীংয়াদুগী খাঙপোক মায়কৈদা লৈহৌরে। নুমিত্তুদগী স্কুল ছুটি থাবগা হল্লকপগী লম্বীদা লাইওইরবা সনা খোংনাংদুবু ইরাৎচবনা মখোয় অনীগী শোয়ফদ্রবা মথৌ ওইখ্রে। ছুটি নুমিৎ নৎত্রগা সন্দে ফাওবদা সনা খোংনাংগী মনাক্তা চত্তবা য়াদে ৱারেপ্নখ্রে। লোয়ননা থম্মোয়-থম্মোয় অনীগী ওইবা নুংশি-লিপুনসু নোংম-নোংমগী চেৎশিন্নখ্রে। শাবী-শানৌ খঙহন্দনা থাংজিং চীংশাংনা, সনা খোংনাং অনীগা লোয়ননা ইবুধৌ থাংজিং লাইদা শাবী-শানৌ অনীগী নুংশি লীলা মপূং ফাহনবীয়ু হায়না পুনেমজরি। ●

(মখা চত্থজরকখিগনি)

# কাং মশান্নদা ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাং - (২)

**– থৌদাম তোম্বা মৈতৈ–**

অম্পয়র ওইরিবা মীওইশিংদসু লাইরিকশিংদু পাহনবীয়ু। মীচম মীয়াম্না খঙনীংবা-পানীংবা লৈরবসু লায়না ফংহনবা য়াবা মতৌ শিনবীয়ু। অম্পয়রশিংগী ক্লিনিক প্রোগ্রাম অমুক অমুক্তি পাঙথোকপীয়ু। মসিনা দিসিজনদা য়ুনিফোর্ম ওইবা ঙমগনি।

অমরোমদা, কনা-কনাগুম্বনা অনৌবা কাঙলোন অমা হাপচিন্নীংবা লৈরবসু কাঙলোন্দু হান্না ইমপ্লিমেন্ট ওইনা হায়বদি রুল অমা ওইনা চৎনদ্রিঙৈদা চহী অমগুম্বা চাংয়েং ওইনা শান্নবা কয়াদা মদুবু এপ্লাই তৌহনবীগদবনি। মদুদা চান্নরবা চুনরবা শান্নরোয়শিং অমসুং মীয়াম্না কাঙলোন্দুবু পাম্নরবদি মদু য়ারে, চৎনরসি হায়বা কাংখূৎশিংদা খঙহনবীগদবনি। অসিগুম্বা থৌরাং শুক্লে লৈখিদনা কাঙলোননি হায়দনা পংপুদা পুথোরকপগী মতৌ অমা উরি। হান্নদি থেংনরক্তবা ইমপ্লিমেন্ট পেরদসু থেংনখিদবা, মসিনা তাকপদি কাংগী কাঙলোন কনাগুম্বগী খুবাম্নুংদা লৈবা য়াওরব্রা? কাং মশান্না হৌজিক্কী মীরোলখক্কী মরল নত্তে, তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোল কয়াগীসু মরলনি। মসি ফজনা থম্লমসি, ফজনা শীজিন্নরমসি।

কাংখূৎ কাংখূৎশিংগী শিনবী-লাংবীরিবা অচৌবা থৌদাং লৌবীরিবা মীওই পূম্নমক্লসু থম্মোয় শেংবা, পুকচেল তিংবা অফবা অচুম্বা মশক খঙনা হোৎনবীবা মথৌ তাই। মসিনা শোয়রকপা মতমদা মাঙজরক্কদৌরিবসি কাংখূৎতুগী খক নত্তনা পূম্নমক্কীসু মাঙজবা ওইরকপা য়াই। শান্নরোয় খুদিংসু থকসি খাসি মশক খঙনা কাং শান্নবীয়ু। ঐখোয় ঐখোয়বু ফনবা হোৎনবীরম্বা খুদিংবুসু কাউথোকপা লৈরোইসি। মখোয় মখোয়না হোৎনবীরম্বদগী ঙসি নখোয় ঐখোয় অমুক শান্নজবা ফংজরিবনি খনবীয়ু। অসিগুম্বা মতৌনা তুনা চৎমিন্নবা মতমদা তুংগী কাংগী লম্বী অফবতা ওইগনি।

অমরোমদসু কাংনা ইন্টরনেশনল গেম ওইদ্রিবা, ওইরবসু ম্যান্মার, বাংলাদেশ, অসাম, ত্রিপুরা অতৈ অতৈ পূম্নমকসিগী অপূনবা বোদি অমা ওইনা কাউন্সিল অমগুম্বা শেম্বীরগা পূন্না থবক তৌমিন্নবা চংই। চহীগী ওইনা তৌবা য়াবা থবকশিং পায়খৎমিন্নবা, মসিসু মরু ওই খল্লি। মশান্না অসিগী ওইনা মেথমেটিক্সিয়নশিং তান্নবিরগা কাংগী কাঙলোনগা চান্নগদবা মেথমেটিক্সিয়ন অমগী মেথদ শীজিন্নরগা মখল কয়াগী কালক্যুলেশন মথৌ তারিবনি। খুদম ওইনা পাঞ্জলগী মতুংইন্না নেট রেট পীথোকপীবা অসিনচিংবা। শান্নরোয়শিংগী অমসুং কাংখূৎশিংগী রেকোর্দ ফজনা থম্বীসি। মসিনা করম্বা মতমদা কনা-কনানা করম-করম্বা কাংখূৎশিংনা কয়াম ফজনা শান্নখিগে হায়বসি তুংগী মীরোলনসু খঙজহৌনবা।

মশান্না অসিগী শান্নরোয়শিং হেন্না পুথোকপা ঙম্নবা পান্দম অমা ওইনা ৱাঙ্গোইদা অহানবা ওইনা মীওই তরানা শাবা কম্মিটি অমা শেমজরগা ‘ফর্ষ্ট এদিশন ৱাঙ্গোই প্রেমিয়র লিগ ২০২৫’ পাঙথোকচখি। মসি ৱাঙ্গোইখক্তগী শান্নরোয়শিংনা শান্নজবনি। পূন্না শান্নরোয় ৪৬নি। কাংখূৎ ৫ থোক্তুনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিনা নহা শান্নরোয়শিং পুথোকচহৌবা ঙমজখি। মসি চহীগী পাঙথোক্তুনা অনৌবা শান্নরোয়শিং হেন্না পুথোকচনবা হোৎনজবনি অমসুং অতোপ্পা কাংখূৎশিংদা শান্নরোয় শুবা ঙমদবা কয়াদা হিংহনবদা মসিনা মতেং ওইহনগনি খল্লি। টুর্ণামেন্ট অসি ৱাঙ্গোইগী অকোয়বগী মীয়াম্না কাংবু নুংশিবীদুনা তেংবাংবীরক্তুনা পাঙথোকচবা ঙমজখি। কাং পায়দুনা শান্নরিবা মীওইশিং খক্তনা কাং য়োকখৎপা নত্তে। অসিগুম্বা তাঞ্জা কয়াদা শেলগী মতেং পাংবীরকপা অমসুং শান্নবা নুমিত্তা কাং য়েংবা থোকপীরক্লিবা পূম্নমকপুসু কাং য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরি হায়বসি ঐখোয় খুদিংনা খঙমিন্নসি।

হেন্না ইকায়খুম্নজনীংঙাই ওইরিবদি মফম কয়াদা কাংশঙ কয়াদা কাং টুর্নামেন্ট কৎপীরিবা কৎপীরিবী পূম্নমকশিংসিনি। মখোয়গী কত্থোকপগী থৌনাদুনা শান্নরোয়শিংনা কাং শান্নজবা ঙমজবনি অমসুং কাং শান্নরি। কাং হিংলি, কাং লৈরি তাকপদা মখোয়না অচৌবা থৌদাং লৌবীরি। টুর্নামেন্ট কৎপীবা মীওইশিংদি অসুক্কী মতিক য়াম্মী। মফম মফমগী ওইনা অদুবু খরদং পঞ্জরবদা ৱাঙ্গোইদা হান্নগী মণিপুর চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা ৱাহেংবম নীপামচানা মহাক্কী লোয়নবীগী মিংদা ‘মায়পাকপী মেমোরিএল কাং’ মতম শাংনা পাঙথোকপীরম্মী। মখা তারকপা ওইনা ৱাঙ্গোইদা লোংজম জয়কুমার, চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা পাবুংগী মীংদা ‘এল কুবের সিংহ মেমোরিএল কাং’ মতম শাংনা পাঙথোক্তুনা লাকপীরি।

অসিদসু নত্তনা ৱাঙ্গোই কাংগী লম্‌দা অহেনবা মতেং কয়ামসু পাংবীদুনা লাক্লি। অতোপ্পা অমনা মংশাতাবম হরেকৃষ্ণ, মন্ত্রিপূখ্রিনা ‘লেট মংশাতাবম ইবোয়াইমা এন্দ পুইনবতি মেমোরিএল কাং’ মতম শাংনা কৎপীদুনা লাকখি। মতম অমদা ৱাঙ্খে চাইজোল কাংশঙদা লৈখিদ্রবা পাবুং অঙোম নিলকমলনা ‘চাইজোল মেমোরিএল কাং’ মতম শাংনা পাঙথোকপীরমখি অমসুং হৌজিক হৌজিক্লা য়াইস্কুল গোপালদেব কাংশঙদা ‘প্লেয়রস ত্রোফি কাং’ মতম শাংনা পাঙথোকপীদুনা লাক্লি। মখোয় পূম্নমকশিংবু ঐখোয়না মতম চূপ্পদা কাউফম থোক্তে অমসুং ঐখোয় ঐখোয়গী থম্মোয়দা মখোয়বু ইকায়খুম্নজবা থম্মিন্নসি।

লোইশিল্লকপদা, কাং মশান্না য়োকখৎপদা ঐখোয় পূন্না থম্মোয় শেংবা মথৌ তাই। থম্মোয় শেংনা থবক তৌবীয়ু, থম্মোয় শেংনা চৎমিন্নসি, থম্মোয় শেংনা ইপা ইপুগী লীক্লম ঙাক্লা চৎমিন্নসি, থম্মোয় শেংনা তুংগী মীরোলদা ফনা-শেংনা শীন্নরমসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।